# পুন্নেন পাৎতা মীওই কয়ানা ঙায়োক ফার্ম শেম্বদগী পুন্নেন পাৎ মাঙশিল্লক্লি : কে কে দি সী

## পুন্নেন পাৎকী অকোয়বগী মীয়াম্বু লম খোপচিনবশিং ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপা লাইবক থীবদি : পি ৱাই দি ও



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস) :

পুন্নেন পাৎকী মফমশিংদা মায়কৈ কয়াদগী নোংম-নোংমগী মীওই কয়ানা ঙায়োক ফার্ম শেমদুনা পাৎ অসিগী মশক মাঙশিল্লক্লে, লৈঙাক্লা পাৎ অসি কন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ককচিং খুনৌ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী)না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। নাকল অমরোমদনা পুন্নেন পাৎকী মতাংদা শুগনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা এসেম্বলীদা ফোঙদোকখিবা 'পুন্নেন পাৎকী ময়াইদা ঙায়োক ফার্ম ময়াম অমা শেমজিল্লকপদগী মফম অসিদা টাটা চঙবা য়াবা লম্বী ফাওবা লৈরে' হায়খিবা ৱাফম অদু এম এল এনা করম্বা লম্বীনো হায়বা অদু শেংদোক্তে হায়না পুন্নেন য়াংবী দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি ৱাই দি ও)না ৱাবগাই লমখায়দগী শুগনু তাবা লম্বী থিংলুরে।

ঙরাং অমসুং ঙসি পুন্নেন পাৎকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ককচিং খুনৌ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা পাউমীশিংগা লোয়ননা কোয়না চৎতুনা পুন্নেন পাৎকী ওইরক্লিবা ফীভমশিং পুন্না য়েংমিন্নখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা কে কে দি সীগী সেক্রেটরি থিংনাম রিশিকেশনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরগী ফিদম্নিংঙাই ওইরবা, মণিপুরগী মীয়ামগীদমক এসেম্বলীদা পুখৎতুনা তুংগী অফবা মণিপুর অমা ওইনবগীদমক হোৎনবীরিবা এম এল এনা এসেম্বলীদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু পোলিটিক্স তৌবা মানবা মওংদা পি ৱাই দি ও কৌবা লূপ অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদি লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অসিমক লাইবক থীবনি। এম এল এ রঞ্জিৎনা এসেম্বলীদা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খনবীদুনা লোক্তাক পাৎ কন্নবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মখা তারকপা ওইনা পুন্নেন পাৎসু কন্নবগী মতাংদা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। পুন্নেন পাৎ করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বা অদু মণিপুরগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। পুন্নেন পাৎকী মফম কয়াদা চহী চহীগী ওইনা লন্নাই মীওই কয়ানা অসুম অসুম ঙায়োক ফার্ম তৌনরক্তুনা পাৎ অসি নোংম-নোংমগী পীশিল্লক্লি। এম এল এ রঞ্জিৎনা পাৎ অসিদা টাটা ফাওবা চঙবা য়াবা লম্বী লৈরে হায়খিবা অদু পাৎ অসিদা পি দব্লিয়ু দিগী পি এম জি এস ৱাইগী লম্বী লৈরে হায়খিবা নত্তে। পাৎ অসিদা নোংজু থা লোইখ্রগা নিংথম থাগী মতম, ঈশিং কংথরকপা মতমদা জে সী বি, পোক্লেন অমদি অচৌ অচৌবা গাড়ীশিং শীজিন্নদুনা পাৎ অসিগী শরুক্তা লেপ্পা লৈতনা ঙায়োক ফার্ম তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। চহী অসিগী এপ্রিল ২৫দসু পুন্নেন লেক দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী কাঙবু অমনা পাৎ অসিগী ময়াইদা ঙায়োক পুখ্রি তৌরম্বগীদমক পোক্লেন ফাগৎলে হায়না মথংগী নুমীৎতা পাউচেশিংদা পাউ ফোঙনখিবসু লৈখ্রবনি। মসিনা তাকপদি পাৎ অসিদা লন্নাই মীওই কয়ানা মশা মশাগী করিগুম্বা খুদোংচাবা খরগীদমক চহী চহীগী ঙায়োক ফার্ম তৌনরকপনা পুন্নেন পাৎকী পাক চাউবা (ভোল্যুম) অসি নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবনি।

এসেম্বলীদা এম এল এ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মণিপুরগী নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা ৱেটলেন্দশিংবু কন্নবা, অঙৈং-অশাগী কায়থরক্লিবা খল অসিবু ঙাক্তুনা থম্লনবা ৱাখল্লোন্দা থমখিবা ৱাফমনি। এম এল এ মশাগী কান্ননবা নৎত্রগা পি ৱাই দি ওনা নৎত্রগা পুন্নেনগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইনা অমদা মখোয়না তৌই হায়খিবা নত্তে। পি ৱাই দি ওগী থৌমীশিংনসু ৱাখল লান্না চৎপীখিগনু। ৱাখল তান্নহৌদবদগী লান্না চৎনখিবনি। ঐখোয় পুন্না ৱাখল তামিন্নরগা পুন্নেন পাৎ কনমিন্নসি হায়নসু রিশিকেশনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি ৱাবগাইদগী শুগনু চৎপগী লম্বীগী এলাংখাংপোকপীদা চথখিবা লম্বী থিংবা অদুগা মরী লৈননা পি ৱাই দি ওগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইঙম ৱাইখোমনা হায়, এম এল এ রঞ্জিৎনা হৌজিক চথরিবা এসেম্বলী সেসন অসিগী জুলাই ৩০দা পুন্নেন পাৎকী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামবু লম খোপচিনবা অমসুং পুন্নেন পাৎপু মাঙহন্নবা হোৎনবা মীওই কাঙলুপ অমা ওইনা মণিপুরগী মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনখিবা থৌওং অদু য়াম্না লাইবক থীবনি। এম এল এ রঞ্জিৎনা পুন্নেন পাৎতা টাটা ফাওবা চঙবা য়াবা লম্বী লৈরে হায়খিবা ৱাফম অদুদা পল্লিবা টাটা চঙবা য়াই হায়রিবা লম্বী অদু শুক্লৈ লৈতবা অমখকনি। হায়রিবা লম্বী অদু করম্বা লম্বীনো মীয়ামদা ঙরাং ওগষ্ট ২ ফাওবদা খঙহনবীয়ু হায়না মীদিয়াগী থোঙদা খঙহঞ্জখি। লাইবক থীবদি এম এল এ রঞ্জিৎনা লম্বী অদু তাকপীরক্তবদগী ঙসিদগী হৌরগা চঙশিঞ্জবনি ফোঙদোরকখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা ৱাবগাইদগী শুগনু লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু অহানবদা থোংজাওদা উ-ৱা ফৈজিন্দুনা চথবা হৌরকপদা ৱাইখোং পুলিসকী কাঙবুনা তানখায়খি। তুংদা এলাংখাংপোকপী মপাদা অমুক মীয়াম অদুনা লম্বী থিংবা হৌখি। মদুদসু ৱাইখোং পুলিসকী কাঙবু অদুনা মীয়াম অদু তানখায়বগা লোয়ননা মখা তানা লম্বী থিংলক্তনবা ঙাক শেনখি হায়রি।

# হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬কী ৱিন্নর অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):

পাউচে অসিগী লেপ্পা লৈতনা চৎথরকপা লিটরেরি ক্যুইজগী ৪৬শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাওথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়দগী অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে।

পাউচে অসিগী লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা



ফোঙদোরকখিবদা, য়ুনাইটেদ কিংদমগী বিরমিংহামদা চথরিবা কম্মনৱেল্থ গেমস ২০২২দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী শান্নরোই ৭পু য়াইফ মঙ্গোল পীজবগা লোয়ননা হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। পীকখ্রবা মণিপুরদগী থোরক্লিবা চাউরবা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী য়াল্লবা নহারোলশিংগী মরক্তগী তোমথিল ওইনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌবা ঙমদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখ্রবা ৱেট লিফ্টিংদা মিরাবাই চনু অমসুং বিনদ্যারানি, জুদোদা সুশিলা লিকমাবমবু হন্না হন্না থাগৎচরি। মণিপুরী অমা ওইনা মখোয়গীদমক চাউথোকচবা পোকচৈ। মখোয় মখোয়গী তুংগী করিয়রদা হেন্না হেন্না মায় পাক্লকপা ঙম্বা ওইরসনু।

লোয়ননা হোক্কীদা সুশিলা অমসুং নিলাকান্ত, সাইক্লিংদা রোজিৎ অমসুং রেনাল্ডো মখোয় পুন্নমকসু মায় পাক্লক্তুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস) :

ত্রিপুরাগী অগরতালাদা চৎলিবা থা অসিগী ৪ অমসুং ৫দা পাঙথোক্কদবা নেসনল মাইম ফেষ্টিভেলদা কংলৈ মাইম ঠিএটর রেপর্টরি ইম্ফালগী মীওই মরিনা শাবা কাঙবু অমা হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা ক্রাস বট এলাইভ উৎকনি হায়না কংলৈ মাইম ঠিএটর রেপর্টরিগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# 'থবক থিবগী মহুত্তা থবক পীবা ঙম্নবা হোৎনসি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):

হৌজিক্কী মতমদা লৈঙাক্কী থবক ঙাইবগী মহুত্তা থবক পীবা ঙম্নবা হোৎনসি। ৱাফম অসি ঙসি হট্রা, ন্যু চেক্কোন রোদতা মন্ত্র সালূন এন্দ স্পা হাংদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খিবদা, স্কিল দিভেলপমেন্টদা মীৎয়েং চঙদুনা ইশা-ইশাগী চন্নবা শিনফম অমমম পীরবা মতমদা ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি। লৈঙাক্না মীওই খূদিংমক থবক পীবা ওইথোক্তবনা ইশানা ইশাগী স্কিল খঙনা চান্নবা থবক অমমম তৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। লৈঙাক্নসু ষ্টার্ট অপকী স্কিম কয়া হৌদোক্তুনা মতেং পাংবশিংগী মথক্তা হান্না পীরম্বা সবসিদিগী মথক্তা অহেনবা শেনফম পীনবা খন্নবসু লৈখ্রে হায়খি।

হাংদোক্লিবা সালূন অসিগী প্রোপ্রাইটর তোংব্রম গোমতিনা হায়খিবদা, পুন্সিদা থেংনরকখ্রবা নেগেটিভ ওইবা ৱাখল্লোন কয়া নাথৈরম্লগা নেচরগা মরী লৈননা তাইবং শেম্বা মপুগা নক্লনা মন্ত্র হায়না মমিং লৌজরগা হায়জিনিক ওইবা মওংদা হোস্পিটালিটি ফজনা মীয়ামগী থৌগল তৌনবগী পান দমদা হাংদোকচবনি হায়খি। থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা ইলাইট টি ভিগী এদিটর জিট নিঙোম্বা, স্মার্ট সিক্যুরিটি সর্ভিস তেরা বজারগী সেক্রেটরি লাইমুজম প্রতাপসু শরুক য়াখি।

# লংলা-লংজিল পুথোকপা

লৌশিং পুক্কৈ

## ঙমদ্রিবা বর্মুদা ত্রাইএঙ্গলগী অঙকপশিং

এটলান্টিক ওসীনদা ময়ামি, বহামাস অমসুং বর্মুদা আইলেন্দগী মরক্তা লৈবা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী মরমদা পাউখুম পীবা ঙমদবা ৱাহং কয়ামরুম লৈরি। স্কৱার কিলোমিটর ৫০০,০০০ পাক-চাউবা মফম অসিদা এয়রক্রাফ্ট, জহাজ অমসুং য়োট কয়া মাঙখিবদগী অমুক হন্না থিবা ফংখিদ্রে। এটলান্টিক ওসীনগী মফম অসিদা মফম খঙদনা মাঙখিবা এয়রক্রাফ্ট ৭৫ হেন্না অমুক হন্না থিবা ফংখিদ্রে।

জহাজ চা কয়াসু মফম অসি লান্থোক্লবা হোৎনরুবদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মাঙখি। হৌখিবা চহী ১০০ রোমগী মনুংদা মফম অসিগী অকোয়বদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীওই ১,০০০ হেন্না শিখ্রে। এটলান্টিক সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা অচৌবা এম্পায়র অমা লূপখিবগী ৱাফমদগী হৌরগা য়ুনিভর্সকী মপান্দগী অতোপ্পা প্লানেট অমনা মতীক ময়াই শীজিন্নরকপগী ৱাফম্নচিংবা বর্মুদাগী মরমদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদো-রকপা লৈখ্রে। অদুবু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবনা হীরম অসিগী মতাংদা অঙকপা অমদি অদুম্মক লৈরি। হন্দক্তা সাইন্টিষ্ট কাঙবু অমনা কূপ্না থিজিল্লবা মতুংদা হায়খি, বর্মুদাগী অঙৈং-অশা (ৱেদর কন্দিশন) না মরম ওইরগা মমায় তরুক অমসুং এঙ্গল তরুক পানবা লৈচিল শেমগৎলকপদগী ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা জহাজ অমসুং এরোপ্লেন কয়া মফম অসিদা মাঙখি।

সাইন্টিষ্টশিংগী ৱারোল পল্লদুনা "দেলি মেল"গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কাদ হন্না ঈংবা অমসুং কা-হেন্না শাবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমনা মরম ওইরগা মমায় তরুক পানবা অমসুং এঙ্গল তরুক য়াওবা লৈচিল শেমগৎলকপদগী ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোক কয়া থোরকপনি। হায়রিবা লৈচিল অদুনা পূংদা মাইল ১৭০ য়াঙনা শীৎপা "এয়র বোম" শেমগৎলকপদগী জহাজ অমসুং এরোপ্লেন কয়া ইরায় লায়না চিংথবা ঙম্লিবনি। অদুবু বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী মরমদা অসিগুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা থোইদোক্লা অনৌবা নত্তে। মমাঙদসু অসিগুম্বা মখলগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা খুদম পুথোকপদি ঙমখিদে। মতৌ অসুম্না হৌখিবা চহী ১০০ রোমগী মনুংদা বর্মুদাগী অকোয়বদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীওই ১,০০০ রোম শিবা লৈখ্রে।

অৱাং লোমদা ময়ামি, নোংপোকলোমদা ফ্লোরিদা অমসুং খারোমদা প্বের্টো রিকোগী সেন জুৱান ফাওবা শন্দোক্লিবা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোক কয়া থোকপা লৈখ্রে।

অহানবা ওইনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা অঙকপা থৌদোক অমা থোকখি। কুমজা ১৯৪৫ দা শোক্লখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লকপদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী বোম্বর প্লেন মঙানা শাবা স্কৱাদ্রোন অমা বর্মুদাদা মফম খঙদনা মাঙখি। "ফ্লাইট ১৯" হায়না খঙনবা স্কৱাদ্রোনগী প্লেন মঙা অদু অকায়বা মচেৎ ফাওবা থিবা ফংখিদে। ফাইটর প্লেনশিং অদুদা তোংখিবা ক্রু ১৪ সু অমুক হন্না থিবা খঙখিদ্রে। অমুক্কা হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা প্লেন মঙা অদুগী খোঙ্গুল লীবা চৎখিবা মীওই ১৩ তোংবা হি অমসু মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী।

মতুং তারকপা চহী মরিগী মনুংদসু বর্মুদাদা প্লেন অমদি জহাজ কয়া মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী। কুমজা ১৯৬০ গী পরিংদা তোঙান-তোঙানবা মেগজিন কয়ানা বর্মুদা, ময়ামি অমসুং প্বের্টো রিকোগী মরক্তা লৈবা ঈশিংগী শরুক অসিদা থোকখিবা অঙকপা থৌদোকশিংগী মরমদা আর্টিকল কয়া ফোঙ-লকপদগী মীয়াম্না তপ্পা-তপ্পা বর্মুদাগী মরমদা খঙনরকখি।

চার্ল্স বর্লিজনা ইবা "দ বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা অতোপ্পা প্লানেটতগী পাইরকপা "য়ু এফ ও" শিংনা বর্মুদাদা অঙকপা থৌদোকশিং থোকহনবনি হায়না ফোঙলকপদগী মীয়াম্না ৱাফম অসিদা নৌনা অমুক থাজবা থম্নরকখি। মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা পাম্নবা ওইখিবা লাইরিক অদু অতেনবা মতমগী মনুংদা কোপী মিলিয়ন ৩০ হেন্না য়োনবা ঙমখি।

মতৌ অসুম্না বর্মুদাগী মরমদা অঙকপা থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু রিপোর্ট অমনা হায়খি, নোর্থ এটলান্টিক ওসীনগী মী চিনবা ঈশিং লম্বী ওইবনা বর্মুদা অমদি মসিগী অকোয়বদা তোয়না এক্সিদেন্ট থোকপা হৌনশানি। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা সমুদ্র অমদি ঈশিং লম্বী খুদিংমকসু বর্মুদাগা চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়রি। কুমজা ১৯৭৫ দা মেগজিন অমগী এদিটরনা ইংলেন্দগী লোইদ ইন্স্যুরেন্স কম্পনিগী দেটা নৈনবদা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমদসু চপ মান্নবা মওংদা এরোপ্লেন অমদি জহাজ মাঙবগী থৌদোক থোকই হায়বা খঙলকখি। মীয়াম্না বর্মুদাদা থোকপা থৌদোকশিং খক্তবু ৱারীনবা মরম্না মফম অসি খক্তদা জহাজ মাঙবা অমদি প্লেন মাঙবগী থৌদোক থোকপা মানবনি হায়রি।

বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা হুরান-চিন্থি তৌবা মীওই (পাইরেট) য়াম্না লৈবা মরম্না মায়কৈ শোয়না লাকপা জহাজশিংদা লূট তৌবগী থৌদোক তোয়না থোকখি। তশেংবদি হুরান-চিন্থিগী থৌদোক তোয়না থোকপা মরম্না বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলবু মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা কিনবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। বর্মুদাদা উ পাম্বী য়াম্না হৌই অদুবু অতৈ মহৌশাগী ওইবা পোথোক মরাং কায়না ফংদে। মফম অসিদা লৈবা পাইরেটশিংনা খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা অরাকপা জহাজশিং লূট তৌনবা হোৎনৈ। মরম অসিদগী মীয়াম্না বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল ফাওরগা চৎপা কিনৈ।

মহারানি ভিক্টোরিয়াগী মতমদা লম কোয়বশিংগী মরু ওইবা লমথুংফম ওইরম্বা বর্মুদাদা ইনাক কৈরাক খুনবা বৃটিশ অমদি এংলো-অমেরিকাশিংনা নিংথম থাগী মতমদা লম কোয়বা হেক-হেক লাক্লরম্মী। পুন্নমক অসি ওইনসু ঙসি ফাওবা বর্মুদাদা থোকখিবা ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোকশিংগী মতাংদা লংলা-লংজিন অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদ্রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# অথৌবশিং অমসুং মহৈরোয়শিংবু ঈকাখুম্নবা উৎকদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):

লাক্লিবা ওগষ্ট ১৩, থাংজ নুমীৎ অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (আর য়ু সী ও) লমশাং/সেকমাই অমদি ওল মরিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অনীনা খুৎশম্নদুনা আর য়ু সী ওনা কোনবা এরিয়াদা লৈরিবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২২ দা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম ওল ফুন্নৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না আর য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ লোকেন্দ্রোগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা আর য়ু সী ওগী এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২২ দা পাস তৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিংনা মার্কসীট কোপী অমমম আর য়ু সী ওগী মেম্বরশিংদা লাক্লিবা ওগষ্ট ৭ ফাওবদা পীশিনবীরক্লবা খঙহঞ্জরি হায়না আর য়ু সী ওগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

For

MEDICAL REGULAR COURSE 2022-23

- Date of Form issue : 20th July, 2022
- Last date of form submission : 5th August, 2022
- Class commencement from : 17th August, 2022

Special Features

- Regular Offline Classes & Assessment test.
- Post test Questions & Answer Discussion/Analysis on the following day of test.
- Study Materials along with NCERT based Chapter Wise MCQs will be provided.
- Recorded videos will be provided for all subjects to support offline Classes.

Free Studentship available

(Limited seats based on first come first serve basis)

- 80% & above in P.C.B. of Class-XII 2019, 2020 & 2022 (For COMET School students).
- Position holders in Class-X (Manipur Board).
- Position holders in Class-XII 2019, 2020 & 2022 (COHSEM).
- 95% in Class-X CBSE & above & other boards subject to separate screening test.
- 90% in P.C.B. in Class-XII CBSE & other boards subject to separate screening test.
- 85% & above in P.C.B. of Class-XII CBSE & other boards subject to separate screening test for S.T. & S.C.
- Higher mark scorer for fresher in NEET-UG 2022.

(Fee will be refunded after NEET 2022 results if admitted)

- NEET 2022 overall state rank within 230 (Gen & OBC).
- NEET 2022 overall state rank within 90 (ST).
- SC NEET 2022 overall state rank within 10.

50% CONCESSION

(Limited Seats based on first come first serve basis):

- 85% & above in P.C.B. of Class-XII (2021) For COMET School students (No exam due to Covid).
- 85% & above in P.C.B in Class-XII for S.T. & S.C. in Council.
- 90% & above in P.C.B in Class-XII in Council.

N.B : Classes will be Online if Covid restrictions are imposed by Government.

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/7776/2,4,6 Aug.

# পেন্টিং কম্পিটিসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস) :

ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল এদ্যুকেসন (আই আর ঈ) দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন আর্টস, ৱাংজিংনা শীঞ্জবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন থীম পেন্টিং কম্পিটিসন চহী অসিগী জুলাই ৩০দা পাঙথোকখিবগী রিজল্ট ঙসি লাউথোকখ্রে হায়না আই আর ঈ-গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসন্স, ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল ডা. নারেংবম রজিভকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেটগোরি এদা অহানবা মনা ব্রিক্রম লৌরেম্বম অদুগা দাওলাস লম্বামযুম অমদি প্রেসিলা হৈক্রুজমনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কন্সোলেসন প্রাইজদা অঞ্জেলা হৈক্রুজম, স্বীতি ৱাহেংবম, লাইশ্রম শ্রিনিভাশনা তাখি। কেটগোরি বিদা লাইশ্রম বিপিননা অহানবা মনা, এম বোইচান্দ অমদি দিজেন্দ্র লাইশ্রমনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা লৌখ্রে। লোয়ননা কেটগোরি অসিগী কন্সোলেসন প্রাইজদা লাইতোঞ্জম রোহেন, লোরিশ লাইশ্রম, সোরাইজম অজিৎ, তোংব্রম বিকাশ, কে এস ঐচ নরেন্দ্রদা পীখি। কম্পিটিসন অসিগী মকোক মথং তাখ্রবশিংগী অখন্নবা প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন অমদি এগজিবিসন লাক্লিবা ওগষ্ট ১২দা কোলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 359/SDC/SLG/IE of 2022

Parties :- 1. Wahengbam Ningthem Singh, S/o. (L) Ibohal Singh of Laipham Khunou Makha Leikai

2. Wahengbam Bungo Singh, S/o. (L) Pakpa Singh of Pukhao Terapur -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar :- Wahengbam Pakpa Singh, S/o. (L) Ibohal Singh of Pukhao Naharup -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sagolmang, the 29/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 10-Pukhao Naharup পাট্টা নং 349 (অরিবা) 91 (অনৌবা) দাগ নং 34 মোট এরিয়া .55 একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang Imphal East

HL-P/3579/4

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 358/SDC/SLG/IE of 2022

Parties :- Leitanthem Bankeshwar Singh, S/o. (L) Sanatomba Singh of Waiton Mayai Leikai -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :- Leitanthem Bisheshwor Singh, S/o. (L) Sanatomba Singh of Waiton -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sagolmang, the 29/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং 492 (অরিবা) 1492 (অনৌবা) দাগ নং 2229 মোট এরিয়া .63 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang Imphal East

HL-P/3579/4

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।০৮।২০২২ ইং, শগোলশেল; অয়ুক পুং ৫.৪১ ফাওবা থৱানগী ৬নি পাল্লি, মতুং ৭নি পাল্লনি।

মেষ: থবক পাঙবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি মরুপ-মপাংনা লুনা চান্না তৌবীবা নুমিৎনি। অশাওবনা মাঙজবা অমদি য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: নীংবা মপা চারনি, অনৌবা লৌশিং তানশিনবা মতাং চাগনি, শেল-থুমসু ফংজগনি। অদুবু অরাপ্পা মী লোয়নবা অমদি মীৱা লৌবদি মাঙগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি, মীয়াম্না চানবীগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি। থাজদনা নক্লবনা মরল মাঙহনবা য়াই- অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবা লৈরসু থৌনাবু লৈরদি অনীংবা থবক পাঙগনি, মীনা কিনগনি। হোয়া ফবদি মতাং চাখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: নীংবা থুংগনি, ৱাখলসু থোক্কনি, অনৌবা থৌরম পাঙবা য়ারগনি অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা য়াম্না কান্নগনি। য়েক্লবা লৈরম্বসু ময়েং তাখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: লান্দবনা লম খুদিংদা মায় পাক্লনি। অফবা মরুপ অমদি অফবা লৌশিং ফংজগনি। হুরানবনা হান্নগুম মাঙহনবা য়াবা খরদি লৈ-মীতোপ্তা হেন্না থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: হরাওবা, নুংঙাইবা, থবক পাঙবদা খুৎলোইবা, ৱাখল লৈবা অমদি মীনা লাকচবা ঙম্লোইদবা নুমিৎনি। মীয়ামগী মতেং পান্নসু শোয়দনা ফংগনি
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: হকচাং নুংঙাইরমদ্রসু নুংঙাইরনি, য়েক্লবা লাকশিনগনি অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চাগনি। পল্লম্বা লন ফংবা য়াই অমদি পোরম শীনবা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: শেল ফংগনি, মীচঙ হেনগৎকনি, অনৌবা আশা লাক্কনি। অদুবু কল্লক য়েংথিবদি হান্নগুম লৈ-অদুবু য়েৎনরুনু অমদি পঙথগনু-মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: থবক পাঙলনি, মীপায়রম্বা কোক্লনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি। অদুবু ঈৱাং পুবা অমদি নাপলদি তৌগনু-মদুনা মরুপ কায়নবা অমদি মীখা পোনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: পাইরক্কী লৌশিং চাওবা, ইচঙ থৌবগী কান্নবা ফংবা, অনীংবা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা লৈ। হোয়া ফবা অমদি হেন্না খুৎ চাওবদি মীপায়বা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: লন ফংবা, য়েৎনবা লৈরম্লসু ঙমজবা, মীনা থাগৎপিবা অমদি ইমুং-মনুং পুন্না থৌপাঙবা হেন্না ফবা নুমিৎনি। অশাওবনা মাঙহনগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙ-শকপা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।